**Important Phone Nos.**

| | |
|---|---|
| RIMS | - 2414478 |
| J.N. Hospital | - 2450385 |
| DG Control | - 2450100 |

**FIRE SERVICE**

| | |
|---|---|
| Imphal | - 101 |
| Moirang | - 8415925197 |
| Churachandpur | - 8415925191 |
| Thoubal | - 8415925203 |
| Kakching | - 8415925194 |
| Jiribam | - 8415925193 |
| Mayang Imphal | - 8415925196 |
| Bishnupur | - 8415925190 |
| Moreh | - 8415925198 |
| Kangpokpi | - 8415925195 |
| Ukhrul | - 8415925205 |
| Senapati | - 8415925199 |
| Chandel | - 8415925192 |
| Singhat | - 8415925201 |
| Sugnu | - 8415925202 |
| Yairipok | - 8415925206 |

**Today's Flights Timing (Non Stop only)**

IMPHAL → AGARTALA
IndiGO 13:20
IMPHAL → DELHI
Air Asia (India) 13:45
IndiGO 14:30
IMPHAL → GUWAHATI
IndiGO 09:45
Air Asia (India) 11:15
IndiGO 14:15
Air India 14:40
IMPHAL → KOLKATA
IndiGO 10:50
IndiGO 15:20

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 82.114089 |
| US Dollar | 73.354023 |
| British Pound | 94.809908 |
| Australian Dollar | 48.544194 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.576817 |
| Japanese Yen | 0.686319 |
| Malaysian Ringgit | 17.633010 |
| Singapore Dollar | 52.946312 |
| South Korean Won | 0.061871 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.561073 |
| Thai Baht | 2.321948 |
| Myanmar Kyat | 0.05293 |
| Bangladesh Taka | 0.86547 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 43486.00 |
| Mumbai | – | Rs | 43427.00 |
| Delhi | – | Rs | 43470.00 |
| Kolkata | – | Rs | 43398.00 |

## GAS NEWS

**ATHOKPAM INDANE WANGJING & KHONGJOM**
Booking Upto: 13/01/2020
Valid From: 23/12/2019
***Stk : 612 (CTC)***
Timing: 07.00 am to 10.00 am

**CANCHI INDANE SERVICE**
Booking Upto: 11/01/2020
Valid From: 07/01/2020
***14 Kg Stk : 612***
***5 Kg Available***
Timing: 08.00 am to 10.00 am
(First Come First Serve)

**GBD, LAMLONG**
Booking Upto: 25/12/2019
Valid From: 12/12/2019
**Stk : 612 *(CTC Only)***
Timing: 07.30 am to 10.30 am

**HRANGCHAL GAS, OLD LAMBULANE**
Booking Upto: 27/01/2020
Valid From: 21/01/2020
***Stk : 612***
Timing: 06.30 am to 10.30 am

**IMPHAL LPG SERVICE**
**Sl. No. – 12582**
Booking Upto: 25/01/2020
Valid From: 15/01/2020
**14.2 Kg. Stk : 306**
**19 kg Available Stk : 57**
**5 kg Available**
Timing : 08.30am Onwards
(First Come First Serve)

**K & K INDANE SERVICE**
**Sl. No. Upto - 100**
Booking Upto: 16/01/2020
Valid From: 10/01/2020
***Stk : 306***
Timing: 07.30 am to 11.00 am
(First Come First Serve)

**HIYANGTHANG INDANE**
Booking Upto: 02/01/2020
Valid From: 27/12/2019
***Stk : 306***
Timing: 07.30 am to 10.30 am

**KHUMBONG, INDANE**
**Sl. No. Upto – 450**
Booking Upto: 17/01/2020
Valid From: 16/01/2020
***Stk : 306***
Timing: 07.30 am to 10.30 am

**MAIBIA GAS, MOIRANG**
**Sl. No. : 9731 - 0669**
Booking Upto: 03/01/2020
Valid From: 28/12/2019
***Stk : 612***
Timing: 07.00 am to 11.00 am

**MANIPUR GAS SERVICE**
Booking Upto: 17/12/2019
Valid From: 14/12/2019
***Stk : 612***
Timing: 07.30 am to 09.30 am

**MANIPUR POLICE GAS**
Booking Upto: 15/01/2020
Valid From: 14/01/2020
***Sl. No. From 51***
***Stk : 306 (CTC & DNSC)***
Timing: 10.00 am to 01.00 pm

**MISAO GAS SERVICE**
Booking Upto: 01/02/2020
Valid From: 17/01/2020
***14.2 Kg Stk : 612***
***19 Kg Available***
Timing: 07.30 am to 11.00 am

**SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK**
Booking Upto: 03/01/2020
Valid From: 27/12/2019
***Stk : 306***
Timing: 07.00 am to 10.00 am
(First Come First Serve)

**YAIRIPOK GAS SERVICE**
Booking Upto: 05/02/2020
Valid From: 30/01/2020
***Stk : 612***
Timing: 07.00 am to 10.00 am

**LOKTAK INDANE SERVICE**
Booking Upto: 30/01/2020
***Stk : 210***
Timing: 07.30 am to 11.00 am

**TANGLEI GAS OINAM**
Valid From: 21/01/2020
***Stk : 306***
Timing: 07.00 am to 10.00 am

# স্কুলশিংদা অঙাংশিংগী সেফটিগী কাঙলোনশিং ঙাকপা তঙাইফদে : সুমতিবালা নিংথৌজম

ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (ঐচ এন এস): স্কুলশিংদা অঙাংশিংগী সেফটিগী কাঙলোনশিং ঙাকপা তঙাইফদে হায়না মণিপুর কমিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসকী চেয়রপর্সন সুমতিবালা নিংথৌজমনা ঙসি এস এস এ ট্রেনিং হোল বাবুপারাদা পাঙথোকখিবা বার্কশোপতা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর কমিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসনা নেসনল কমিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসকা খুৎশম্নদুনা কম্প্রেহেন্সিভ মেন্যুএল ফোর সেফ্টি এন্দ সিক্যুরিটি ওফ চিলড্রেন ইন স্কুল হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা বার্কশোপ অদু হৌদোকপগী থৌরমদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়ারদুনা সুমতিবালানা হায়খি, স্কুল অঙাংশিংগী সেফটিগী মেন্যুএল এন সি পি সি আর অমদি এম সি পি সী আরগী বেবসাইটতা য়াওরে। নীংথিনা কনাগুম্বশিংনা অদুম্মক য়েংবা য়াগনি। স্কুল অঙাংশিংগী সেফটিগী চৎন-কাঙলোনশিং অসি নীংথিনা ঙাকপা তঙাইফদে। হোষ্টেলগী গাইদলাইনসু লৈ। হোষ্টেল অমদা মহৈরোয়শিং থম্বা মতমদা করম্বা চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদগে হায়বসি চৎন-কাঙলোনদা নীংথিনা ইদুনা লৈরিবনি। কাঙলোনশিং অসি ঙাকহন্নবা হোৎনম্নিবা চঙই। মণিপুর অসি চাইল্ড ফ্রেন্দলি ষ্টেট অমা ওইহন্নবা হোৎনম্নিসি। তুংগী য়ুম্বিরেন ওইরক্কদৌরিবা অঙাংশিংদা স্কুল অঙাংশিংগী সেফটিগী মেন্যুএল কিরনবা অমদি মপুক্কি শোক্কদবা থবক অমসু তৌরোইদবনি। নীংথিনা মহৈ-মশিন অমক্কদগনু অফবামী অমা ওইহন্নবা হোৎনগদবনি হায়না হায়খি।

থৌরম অদুদা এম সী পি সী আরগী হান্নগী চেয়রপর্সন এস শরত কুমার, এম সী পি সী আরগী মেম্বর এল মেঘরাজসু প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি। তুংদা টেক্নিকেল সেসন পাঙথোক্তুনা রিছোর্স পার্সন কয়ানা ৱা ঙাংখি।

# এ আই এফ এম পিগী জি সীগী মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (ঐচ এন এস) : ওল মণিপুর প্রেস এসোসিয়সন (এ এম পি এ)না শিন্দুনা ওল ইন্দিয়া ফেদরেসন ওফ মাষ্টর প্রিন্টর্স (এ আই এফ এম পি)কী ২৪৮রক শুবা জি সীগী মীফম চিংমৈরোংদা লৈবা ক্লাসিক গ্রান্দেদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর থোকচোম রাধেশ্যামনা হায়, তুংদা হৌরক্কদৌরিবা নহারোলশিংগীদমক তাংলবা অফবা মখলগী লাইরিকশিং ফোঙদুনা থম্লম্বগী তঙাইফদবা লৈ হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, ঙসি ঐখোয়না গিতা, বাইবল অমদি মরুওইবা লাইরিক কয়া পাদুনা লৌশিং কয়া লৌশিনবা অমদি তানশিনবা ঙম্লিবা অসি মতম অদুগী হৈথোয়-শিংথোইরবা মীওশিং অদুনা য়াম্না ফজনা ইথোক্তুনা অমদি ফোঙদুনা থম্বিরম্বননি। মরম অদুনা ঐখোয়নসু তুংদা হৌরক্লিবা মীরোলশিংগীদমক অফবা মখলগী লাইরিকশিং অফবা ক্বালিটি লৈবা চেদা চহী কয়া তেক্ত-কায়দনা থম্বা ঙম্নবা ফোংদুনা পুথোকপা ফৈ হায়খি। লোয়নননা মহাক্না হায়, ওল ইন্দিয়াগী লেবেলদা পাঙথোকপা অসিগুম্বা অচৌবা প্রোগ্রামশিং অসি শুপ্নগী দিল্লি, মুম্বাই, কোলকাটা অমদি গুৱাহাটি লোয়নননা লৈবাক অসিগী অচৌ-অচৌবা সিটিশিংদা পাঙথোকপগী মহুৎতা অপিক-অপিকপা ষ্টেট মণিপুর, সিক্কিম, অরুনাচল প্রদেশ, মিজোরাম অমদি নাগালেন্দনচিংবা মফমশিংদসু পাঙথোকপিনবা হোৎনবিয়ু। মদুনা অপিকপা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা মীয়াম্না অপেনবা হায়বদু ওইগনি লোয়নননা অচৌবা ষ্টেটশিংনসু অপিকপা ষ্টেটশিংদা থেংনরিবা প্রোব্লেম কয়াসু খঙবা ঙমগনি হায়খি।

থৌরম অদুদা গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী এদ্যুকেসন (এস)কী দিরেক্টর টি ঐচ কিরনকুমার, ওল ইন্দিয়া ফেদরেসন ওফ মাষ্টর প্রিন্টর্স (এ আই এফ এম পি)গী প্রসিদেন্ট দিবয়াজোটি কালিটা, ওল মণিপুর প্রেস এসোসিয়সনগী প্রসিদেন্ট সেঞ্জম সুরজিৎসু শরুক য়াখি। থৌরমগী মখা তারকপা ওইনা প্রেস অমদি প্রিন্টর্সকী লম্দা শিংথানিংঙাই থবক তৌরিবা শক্লাইরবা মীওই কয়াদা ইকায়খুম্নবসু উৎখি। লোয়নননা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী লাকপা দেলিগেট কয়াসু শরুক য়াদুনা থৌরম অদু মপুংফানা পাঙথোকখি।

# লুখোসৈ জৌগী দ্রগ কেসতা পি দব্লিয়ু ১গী এগজামিনেসন হৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০১৮গী জুন ২০দা এন এ বি পি এসনা য়াল্লবা শেনফম অমদি নোংমৈগা লোয়নননা লুপা ক্রোর ২৭ লোমগী ওইগদবা হিরোইন নম্বর-৪ অমসুং সিউদো ইফিড্রিন য়াওবা এম্ফেটামিন টেব্লেট কিলোগ্রাম ২৮গা কোন্ননা ফাগৎখিবা চান্দেল এ দি সীগী চেয়রমেন ওইরম্বা লুখোসৈ জৌ এলিয়স শেসাই জৌগী ৱায়েল চথরক্লিবা দ্রগ কেসতা প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস (পি দব্লিয়ু) অমগী এগজামিনেসন চথবা হৌখ্রে।

থৌদোক অদুগী মতাংদা নার্কোটিক এন্দ এফেয়র্স ওফ বোর্দর (এন এ বি) পুলিস ষ্টেসনদা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেসকী এফ আই আর নম্বর- ৪৩ (৬) ২০১৮নি। কেস অসি নার্কোটিক দ্রগস এন্দ সাইকোট্রোপিক সবষ্টেন্সেস (এন দি এন্দ পি এস) এক্টকী সেক্সন- ২২(বি)/২২ (সী)/২৫/২৯/৬০ (৩)গী মখাদা লৌখৎপনি।

পুলিসনা কেস অসিদা চেন্নরিবা এক্যুজশিং ফাগৎপদা লম্ফেলগী ভি আই পি ক্বার্টর নম্বর-১ দা লৈখিবা লুখোসৈ জৌ এলিয়স শেসাই জৌ (৫১), অপোকপা লৈখিদ্রবা থাংমাং জৌ, মোরে ৱার্দ নম্বর-২সু য়াওখিবনি। অদুবু মহাক কেস অসিদগী মেদিকেল গ্রাউন্দদা ইন্টরিম বেল পীরুবদগী মমাংগী কুমজা ২০১৯গী জন্যুৱারী ৫দগী মীরোৎ ওইরুরবা মতুং মমাং থাগী ২৮দা কোর্টতা সরেন্দর তৌরকপদগী জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌদুনা থম্লক্লিবনি।

ঙসি লম্ফেল কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা স্পেসল কোর্ট (এন দি এন্দ পি এস)তা চথরক্লিবা কেস অসিগী ৱায়েলগী শরুক্তা প্রোজিক্যুসন ৱিটনেসশিং এগজামিন তৌবগী মখা তারকপদা পি দব্লিয়ু অমগী এগজামিনেসন তৌখি। অদুম ওইনমক এগজামিনেসনগী প্রোসিদিং অসি ঙসি লোয়শিনবা ঙমদবদগী কোর্টনা মখা চথনবা অতোপ্পা মতম অমা লেপখি।

কোর্ট অসিদা চথরক্লিবা স্পেসল ট্রাইয়ল কেস নম্বর- ১০০ ওফ ২০১৮ অসিদা মীরোৎ ওইরুরবা লুখোসৈ জৌ এলিয়স শেসাই জৌনা কোর্ট অসিদা চঙজরকখিবদগী মহাক্কী মথক্তা কোর্টনা ফেব্রুৱারী ২৯, ২০২০দা চার্জ ফ্রেম তৌখ্রবনি।

পনবা য়াবদি, এন এ বি পুলিস ষ্টেসনগী মায়কৈদগী কেস অসিগী চার্জশীট কুমজা ২০১৮গী দিসেম্বর ১৫দা সবমিট তৌরকখিবনি।

# কোসেমনা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (ঐচ এন এস): কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (কোসেম)দা এফিলিএট তৌবা প্রিন্সিপালশিংনা কাউন্সিলগী ওফিসতা লাক্লগা লাক্লিবা মার্চ ৬ ফাওবগী মমাংদা ক্লাস ইলেবেন এগজামিনেসন কন্দক্ট রুলস লৌরনবা কোসেমগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# অরোইবা নুমীৎতা ১৩ তান্থোকখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...* শীজিন্নরম্বা মহৈরোয় ১ নি। চৈরকসিদা, এগজাম অসিগী ৱাহংচে লিক ওইবগী পাউ অমা লাক্লে। মসিগীদমক্তসু সাইবর ক্রাইম ব্রাঞ্চতা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখ্রে। লিলোং হায়র সেকেন্দরি মাদ্রাসা সেন্টরদা নুপা কেন্দিদেট খরনা এগজাম লোইরবা মতুংদা স্কুলগী থোঙ, থোঙনাউ য়াওনা ফর্নিচরশিং অমদি ওজাশিং অমসুং ওফিসলশিংগী গাড়ীশিং অকায়-অতোয় থোকহনখি। মসিগীদমক লিগেলগী মতেং লৌদুনা এক্সন লৌখৎনবা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে। অতোপ্পা এগজামিনেসন সেন্টরশিংদদি এগজাম অসি ঈংনা-চিক্না পাঙথোকখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# ইন্দিয়াদা কোরোনাভাইরসকী কেস...

*লামায় ১গী মখা...* হৌজিক ফাওবদা কোরোনাভাইরসকী কেস ৯৭,৮১০ য়ৌরকপগা লোয়নননা শিখিবা মীগী মশিং ৩,৩৫২ য়ৌরে হায়রি।

চৈরকসিদা, কোরোনাভাইরসকী লায়না-লাইচৎ অসি ইন্দিয়াদা নোংম-নোংমগী ফীভম হেঞ্জিল্লকপা য়াই হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

কা-হেন্না মীশিং য়াম্বা লৈবাক অমা ওইরিবা ইন্দিয়াদা অতেনবা মতমগী মনুংদা খোঞ্জেল য়াংনা লায়না-লায়চৎ অসি শন্দোরকপা য়াই হায়রি। ইনি দয়াদা কোরোনাভাইরসকী কনফার্ম তৌরবা কেস ৩ ইহান হান্না থেংনখিবা মতমদা লৈঙাক্না মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎখিদে হায়না পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, ইটালি অমদি ইরাননচিংবা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা লৈবাকশিংদগী চঙলকপা মীওইশিং নীংথিনা চেক তৌদবা মরম্না ইন্দিয়াদা হৌজিক লায়না-লায়চৎ অসি শন্দোরকপনি। ইন্দিয়াগী ওইনা লম স্কোৱার মাইল অমদা মীওই ৩০,৪০০ খুন্দাবা মরম্না মীওইবদগী মীওইবদা ইরায় লায়না শন্দোকপা ঙম্বা কোরোনাভাইরসকী লায়চৎ অসি খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থাক য়ৌনা শন্দোরকপা য়াই হায়নসু রিপোর্ট অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ‘রিহেবিলিটেসন সেন্টর অয়াম্বা কাঙলোন ঙাক্না চৎলমদ্রে’

ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিদা লৈরিবা দ্রগ রিহেবিলিটেসন সেন্টরশিং য়েংশিনবগী নীনি চনবা নুমীৎতা ঙসি মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এম ঐচ আর সী)গী টিম অমনা ময়াং ইম্ফাল কোঞ্চাক্তা সালভেসন দি-এদিক্সন সেন্টর, ৱাঙ্গৈইদা লৈবা ফাউন্দেসন হাউস রিহেবিলিটেসন সেন্টর অমদি শামুরৌদা লৈবা রিভনেন্ট রিহেবিলিটেসন সেন্টরগী ফীভম য়েংশিনখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা এম ঐচ আর সীনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কম্মিসনগী এক্টিং চেয়রপর্সন খাইদেম মনিনা লুচিংবা টিম অমনা য়েংশিনখিবদা মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ২৪ দা হাংদোকখিবা সালভেসন দি-এদিক্সন সেন্টরগী রেজিষ্ট্রেসন সার্টিফিকেট পায়রমদবা থেংনখি। রেগ্যুলর ডোক্তর অমদি নর্স য়াওদনা কা ৫ দা মীওই ৫৫ পুন্না থম্লম্বসু থেংনখি। থৌওং অসি মিনিষ্ট্রি ওফ সোসল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱারমেন্টনা পীবা কাঙলোনগী ৱাংমদনি।

ফাউন্দেসন রিহেবিলিটেসন সেন্টর অমদি রিভনেন্ট রিহেবিলিটেসন সেন্টরসু কাঙলোন ঙাক্লমদবা থেংনরে হায়না হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# ঐগী মঙ খোঙচৎ ফোঙখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ০৫ (ঐচ এন এস): ইরমদম মীয়ামগী অপূনবা খোর্জে লূপ (ইমাখোল) অৱাং পোৎশংবমনা শীন্দুনা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা কেশো সিংহ ইরেংবনা ইবা ঐগী মঙ খোঙচৎ হায়না মিংথোনবা ৱারীমচা লাইরিক ফোঙখ্রে।

থৌরম অদুদা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দী য়ুল্লেম্বম ইবোমচানা চীফ গেষ্ট, ইমাখোলগী প্রসিদেন্ট ডা. আর কে গুনচন্দ্রনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। সী ৱেভস মণিপুরগী প্রসিদেন্ট সলাম তোম্বনা লাইরিক্কী মরমদা ৱা ঙাংখি।

লাইরিক অসিগী অইবা কেশো সিংহ ইরেংবনা ফোঙদোকখিবদা, ঐগী মঙ খোঙচৎ কৌবা লাইরিক অসিদা য়াওরিবা ৱারীশিং অসি পুন্সিগী অৱা-নুংঙাই কয়া য়াওরবা অমদি থৌদোক-ৱাথোক মখল মথেলনি। থোকহন্নিংখিদ্রবা পুন্সিগী থৌদোক ৱাথোকশিংনি। ৱাখলদা, মঙলানদা ফাওরকপা খরদু ইবনি। ফোঙখ্রবা লাইরিকশিংদি, চেন্থরকপা শৈরেংগী ঈচেল (২০০২), পাউখোং শিংজু মথেল অমা (২০০৯), বাংলাদেশ খোঙচৎ (২০১৩), য়াইফ পাউজেল (২০১৩), মৈচাক অসিগী মৈশাদি (২০১৪), নোক্লিং নাচোম, নোক্লিং নাচোক পার্ট টু, পাউখোং শিংজু মথেল (মীতৈ ময়েক) ফোঙখ্রে।

# লুপা লাখ ৯৯.৫০গী স্কেন্দলগী ভিজিলেন্স...

*লামায় ১গী মখা...* সেক্সন ১২০-বি/৪২০ অমসুং প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্টকী সেক্সন- ১৩ (২), ১৩ (১) (সী)(দি)গী মখাদা রেজিষ্টর তৌবনি।

কেস অসিদগী এক্যুজ রিতা পানমৈনা এন্টিসিপেটরি বেল পীবীনবা বেল এপ্লিকেসন নম্বর- ৩৭ ওফ ২০১৯ ফাইল তৌখিবনি। হায় কোর্টনা মহাক্কী বেল প্রেয়র অসি খন্নরগা জন্যুৱারী ৩০, ২০২০দা পীখিবা ওর্দর অমদা মহাকপু বেল পীখিবনি। অদুম ওইনমক মহাকপু বেল অসিগীদমক লুপা লাখ ১গা মান্নবা সিউরিটি অনীগী বেল বোন্দশিং ফর্নিশ তৌবগা লোয়নননা চয়োল অমদা নুমীৎ খুদিংগী অয়ূক পুং ১০দা ভি এন্দ এ সী পুলিস ষ্টেসনদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়বগী দিরেক্সন পীখি। লোয়নননা মহাক্না কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসনদা কোওপরেসন পীবগা লোয়নননা মহাকপু লাকউ হায়রকপা মতমদা পুলিস ষ্টেসন অসিদা চৎকদবনি হায়খি।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পীরকখিবা দিরেক্সন মতুংইন্না ঙসি সেসন্স জজ, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা মহাক্কী বেল বোন্দ ফর্নিশ তৌখ্রে।

পনবা য়াবদি, ট্রাইবেল বোইজ হোষ্টেল শানবগীদমক মিনিষ্ট্রি ওফ ট্রাইবেল এফেয়র্সনা স্পেসল দিভলপমেন্ট ফন্দদগী সেঙ্কসন তৌরকখিবা য়াম্লবা শেনফম অসি লান্না শীজিন্নখি হায়দুনা ওল ট্রাইবেল রাইটস প্রোটেক্সন ফোরম, মণিপুরগী প্রসিদেন্টনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) নম্বর- ৪০ ওফ ২০১৮ ফাইল তৌরকখিবনি। পি আই এল অসিগী জজমেন্টতা থৌদোক অসিগী মতাংদা ইনক্বারি তৌনবা খঙহল্লকখিবদগী ভিজিলেন্স এন্দ এন্টি-করপসন পুলিস ষ্টেসননা কেস অসি রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি।

# পল্লেল দ্রগ কেস : পি দব্লিয়ু অনী ক্রোস...

*লামায় ১গী মখা...* দিফেন্স কাউন্সেলশিংগী মরক্তগী বি বিমোলজিৎ শর্ম্মা অমসুং চোংথাম তানসেননা ক্রোস এজামিনেসন তৌখি। লোয়নননা কেস অসিগী ৱাৎহৌরিবা পি দব্লিয়ুশিংগী এগজামিনেসন অমসুং ক্রোস তৌবগী থবকশিং মথং থাগী ১দা মখা চথনবা লেপখি।

পনবা য়াবদি, থৌদোক অসিগী মতাংদা ককচীং পুলিস ষ্টেসননা তোঙান-তোঙানবা কেস অহুম (এফ আই আর নম্বর- ২৬ (২) ২০১৩, ২৭ (২) ২০১৩ অমসুং ২৮ (২) ২০১৩) রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবনি। লোয়নননা কেসশিং অসি সী বি আই (কোলকটা)দা খূৎশিন্নবদগী এজেন্সী অসিনসু কেস অহুম লৌখৎখিবনি। অদুবু হৌজিক স্পেসল কোর্ট (এন দি এন্দ পি এস), মণিপুরগী প্রেসাইদিং ওইরিবী অসিগী মমাংদা লৈরম্বা প্রেসাইদিং ওফিসরনা কেস অহুম অসি অমত্তদা পূনশিনহল্লম্লগা মসিগী এক্যুজশিংগী মথক্তা চার্জ ফ্রেম তৌদুনা পি দব্লিয়ুশিংগী এগজামিনেসন অমসুং ক্রোস এগজামিনেসনগী থবকশিং হৌগৎলম্লবনি।

ঙসি এগজামিন তৌখিবা পি দব্লিয়ু অনী অসিগী মমাংদা পি দব্লিয়ু নম্বর-১ দগী ৫ ফাওবগী মীওইশিং এগজামিনেসন তৌখ্রবনি। থৌদোক অসিদা কর্নেল অজয় চৌধুরিনা লুচিংলকখিবা মহাক্কী খূৎপুনা সিউদোইফিড্রিন য়াওবা য়াম্লবা পোলিফেদ-সী অমসুং রেস্পিফেদ টেব্লেটশিং মোরে তম্না পুশিল্লকখিবনি। ঙসিগী হিয়রিংদা এক্যুজশিংগী মরক্তগী লুনখোহাও হাওকিপ অমসুং সৈখোলেন হাওকিপ কোর্টতা মশা-মশা লাকখি। অদুগা অতৈ এক্যুজশিংগীনা মখোয়গী কাউন্সেলশিংনা মহুৎ শিনখি।

# এগজাম লোইরবা মতুংদা ঈরাং...

*লামায় ১গী মখা...* তানখায়নবা হোৎনবদা পুলিসকা মুক্নবা থোকখি। তুংদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমদি কম্মান্দো পর্সনেলশিং থোমজিল্লক্লবা তুংদা ঈরাং হৌরম্বা মহৈরোয়শিং অদুবু টিয়র গ্যাস সেল কয়া কাপ্তুনা তানখায়খি হায়রি।

মহৈরোয়শিংনা ঈরাং অদু করি মরমগীদমক হৌরকখিবনো হায়বদি চপ চানা কনাগুম্বা অমত্তনা ফোঙদোরকপা লৈখিদে। অদুম্মকপু এগজামিনেসন সেন্টর অসিদা ঙসি লাকখিবা ফ্লায়িং স্কৱাদ টিমনা মহৈরোয় অমা মোবাইল ফোন শীজিন্নরম্বগীদমক তাম্থোকপদি লৈখি হায়রি।

অমরোমদা, লিলোং হায়র সেকেন্দরি মাদ্রাসাদা ঙসি থোকখিবা থৌদোক অদুবু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা অকনবা মঙওংদা কন্দেম তৌখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা, এগজামিনেসন সেন্টর অসিগী সুপরভাইজিং ওফিসর, ওফিসর-ইন-চার্জ, এসিষ্টেন্ট ওফিসর-ইন-চার্জ অমদি ওজাশিংগী গাড়ীশিং থুগায়রমখিবতা নৎতনা মহৈশঙ অসিগী লন-থুম কয়া চাউনা মাঙ-তাকপা থোকহনখিবা থৌওং অসি য়াম্না লাইবক থীবনি। মহৈরোয়শিংনা চথরকখিবা এটেক্ট অদুদা ওজা ১৩ রোম অশোক-অপন নংখি। অসিগুম্লবা য়াম্না মওং মরিল তাদবা মওংদা চথরক্লিবা থৌওং অসিনা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মহৈরোয়শিংগী য়াইফনবগীদমক ক্বালিটি এদ্যুকেসন লৈহন্ননবা লৈঙাক্না হোৎনরিবশিং অসি মতীক ময়াই চমহনবগী মচাক ওইহল্লে। ওজাশিংবু এসোল্ট তৌবা অমদি মহৈশঙগী লন-থুম অমাঙ-অতা থোকহনখিবা থৌদোক অসি লৈঙাক্না কৈদৌনুংদা তুমিন্না য়েংদুনা লৈরোই। মরী লৈনবা মরাল লৈবা খূদিংমক লোগী মতুংইন্না বূক তৌগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসি বোসেমগী ফ্লায়িং স্কৱাদ টিমনা মহৈরোয় অমবু এগজামিনেসন মনুংদা অরানবা পান্থে শীজিন্নরম্বগীদমক ফাদুনা তাম্থোকখ্রবা মতুংদা থোক্লকখিবনি হায়রি।

# এগজাম হৌদ্রিঙৈদা এম আই এল সবজেক্টকী ৱাহংচে লিক...

*লামায় ১গী মখা...* মীদিয়াদা চাইথোরক্তুনা এগজাম হৌদ্রিঙৈ মমাংদা মীতৈ ময়েক সবজেক্টকী ৱাহংচে লিক ওইখিবনি।

মহাক্না হায়খি, অসিগুম্বা থৌওং অসি এদ্যুকেসন সিষ্টমদা মহীক চঙবনি হায়না লৌই। লোয়নননা অচৌবা হুরানবা অমনি। বোসেমবু মশক থীহন্ননবা অমদি লমদমসিগী মহৈরোয় খুন্নাইবু মরূ ফূক্না মাঙহন্ননবা মহীক খূৎপু অমা লমদম অসিদা লৈরে। থৌদোক অসিদা ওজাশিংগী খূৎ শোয়দনা য়াওরমগনি হায়বা চিংনৈ। মরমদি ক্বেসন অসি মহৈরোয়গী খূৎতা য়ৌদ্রিঙৈদা ওজাশিংগী খূৎতা হান্না য়ৌবনি। ওজাশিংগী খূৎতা য়ৌরিবা অসিসু এগজাম হৌদ্রিঙৈদনি। ফীভম অসিনদি ওজাশিংদা থাজবা থল্লম্বা অদু মাঙশিল্লক্লে। ওজা ওইরোইদবশিংনা ওজা ওইদুনা লৈরে। ওজাগী ইথিক্স লমদমসিদদি ফাগী তারব্রা হায়বগী চিংনবসু লৈরে।

কোসেমনা লৌবা চহীসিগী ক্লাস ইলেবেন এগজামগী ৱাহংচে লিক ওইবগী ৱাথোক ফোং-ফোং শারিঙৈদা বোসেমগী অমুক লিক ওইবা হায়বসি বোসেম অমসুং কোসেমনা লৌবা এগজামশিংগী ৱাহংচে লিক ওইবদা লমজেল তান্নরব্রা। মমাংদা ৱাহংচে লিক ওইখিবা মতমদা করি এক্সন লৌরবগে। ঙসি বোসেমনা লৌবা এগজামগী ৱাহংচে লিক ওইবা অসিগা মরী লৈননা ইনক্বারি কম্মিটি অমা শেমগদবনি। এগজামিনেসনসু অমুক হন্না পাঙথোক্কদবনি। লোয়নননা ইনক্বারি কম্মিটিগী রিপোর্ট অমদি ৱারোইশিন মীয়াম খঙনা পুথোক্কদবনি। হন্দক্কী থৌদোক অসিনা পারা অমা ওইরগা মতুং তারকপদা অসিগুম্বা থৌদৌ অসি থোক্তনবা চপ চাবা মেকানিজম পুথোকপীয়ু। কুমজা ২০১৭তসু কোসেমনা লৌবা এগজামগী ৱাহংচে লিক ওইখ্রে। ২০২০দসু লিক ওইখ্রে। হৌজিকসু অমুক হঞ্জিন-হঞ্জিননা লিক ওইরকপা হায়বসি লৈঙাক্না থৌশাদে হায়বা তাকপনি। মতুং তারকপদা অসিগুম্বা থৌদোক থোক্তনবা মীৎয়েং চঙবা চুমগনি। এদ্যুকেসন মিনিষ্টরসু মোরেল গ্রাউন্দদা ফম থাদোকপীরো। চহী চুপ্পা স্কুলদা লাইরিক তাকপীরিবা ওজানা এগজামগী মতমদা অমুক অরানবা পান্থে শীজিন্নবা হায়বসি লমদম অসিদা এদ্যুকেসন সিষ্টম ফেল ওইরে তাকপনি হায়খি।

এগজামিনেসনগী ৱাহংচে লিক ওইবগা মরী লৈননা হৌজিক-হৌজিক ষ্টেটকী ওইবা পেনাল প্রোভিজন অমত্তা লৈতে। মণিপুর ইলিমেন্টরি এন্দ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন এক্ট, ১৯৭২ অমদি মণিপুর হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন এক্ট, ১৯৯২দা ৱাহংচে লিক ওইবা, এগজামিনেসন হোলদা শিন্নবা, মহুৎ থাবা, অরানবা পান্থে শীজিন্নবা, ইনভিজিলেটরশিংনা অরানবা থৌওং চথবনচিংবগী মতাংদা পেনাল প্রোভিজন অমা ফাওবা য়াওদে। মসিসু অথুবা মতমদা হাপকদবনি। কর্নাটাকা এদ্যুকেসন এক্ট, ১৯৮৩গী মখাদা ৱাহংচে লিক ওইবদা চেন্নবা মীওই অমনা অহানবা ওফেন্স তৌবা মতমদা য়ামদ্রবদা চহী ৩ জেলদা থম্বা অমসুং অনীশুবা ওফেন্স তৌরকপা মতমদনা লুপা লাখ ৫ ফাইন থীহনবগী মথক্তা য়ামদ্রবদা চহী ৫ ফাওবা জেলদা থম্বগী ৱাফম য়াওরি। মণিপুরদসু ৱাহংচে লিক ওইবগী মতাং অসিদা চেন্নবগী মথক্তা মতীক চাবা চৈরাক ফংহন্নবা প্রোভিজন শেমগদবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# মণিপুরদা কোরোনাভাইরসকী সিম্পটম অমত্তা ফংদ্রি...

*লামায় ১গী মখা...* ফ্লাইটতা মপান্দগী চঙলকপা অমদি মণিপুরদা হল্লকপশিং লোয়নননা বসনচিংবদা লম্বীদা চঙলক্লিবা কয়া চেক তৌবগী থবক চথুরি। জন্যুৱারী ১৮ অদুৱাইদগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎলকখিবনি। হৌজিক ফাওবদা মখাদা চঙলকপা মীওই লিশিং ৫৩ হেন্না অমদি ফ্লাইটতা লাকপা মীওই লিশিং ৬৮ হেন্না স্ক্রিনিং তৌখ্রে। মীওই লাখ ১.২১ হেন্না স্ক্রিনিং তৌবগা লোয়নননা ভিজিটর ১২ রোমগী সেম্পল মপানগী লেবোরেটোরিদা থাখি। সেম্পল ১০ নেগেটিভ ওইরে। অনী অমদি রিজল্ট লাক্তি। জিরিবাম, মাও, মোরে, বেহাং, সিঞ্জোল য়াওনা ষ্টেট অসিদা লৈখা লম্বীদা গাড়ীদা চঙলক্লিবশিং সর্ভিলেন্স নীংথিনা চথুদুনা চেক তৌরি। ফ্লাইটতা লাকপশিংসু এয়রপোর্টতা চেক তৌরি। মখা তানা চেকশিন থৌরাং ওইনা মপান্দগী চঙলকপা মীওই খূদিংমক ফোর্ম অমা ইস্যু তৌরগনি। ট্রেবেল হিষ্ট্রি নীংথিনা লৌগনি। চঙলক্লিবা মীওইশিং অদু কদায়-কদায়দা চৎলুরে অমদি করি লমদা চৎলুরগা হল্লকপনো হায়বা য়াওনা রিপোর্ট য়াম্না কুপ্না লৌগনি। মাওনচিংবা মফমশিংদসু ফোর্ম ইস্যু তৌবা হৌরগনি।

ষ্টেট লেভেল রিভিয়ু মীটিং তৌদুনা য়াম্না কুপ্না খন্ন-নৈনখ্রে। কোরোনাভাইরসতগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগী মনুং চন্না রিমসতা আইসোলেটেদ ৱার্দ ৪দা ফমুং ৮ থাদুনা লৈরে। জে নিমসতসু আইসোলেটেদ ৱার্দতা ফমুং ৬ থাদুনা লৈরি। চিংনবশিং লৈবা মতমদা ঈ-পাউ ফাওরকপা য়ানবা পুং ২৪ হাংগদবা কন্ট্রোল রুম অমসু থম্লে। কন্ট্রোল রুম অসিগী নম্বরনা ২৪১১৬৬৮ নি। কনাগুম্বা কোরোনাভাইরসকা মরী লৈনবা ঈ-পাউ খঙনিংবা অমদি হায়নিংবা লৈরবদি কন্ট্রোল রুমগী নম্বর অসিদা পাউ ফাওনবা য়াগনি। হৌজিক য়ারিবমখৈ খুৎ-শা শেংনা হামদোকপা অমদি অতোপ্পা মীওইগা খুৎ শোক্নবা তৌরোইদবনি। ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অমদি হোম মিনিষ্টরসু হীরম অসিগী মতাংদা ত্বিটরদা থাদোরকপা লৈখ্রে। চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হায়বসি য়াম্না মরুওই। মীয়াম তীনবা মফমদা লোক খুবা মতমদা রুমালনা খুম্লগা খুবীয়ু। হৌজিক য়াওশংগী মতমসু ওইরক্লে। য়ারিবমখৈ খুৎ শোক্নবা, খুৎ শম্নবগী থবক অসি তৌদবনা ফৈ। মসি দব্লিয়ু ঐচ ওগী গাইদলাইনদসু য়াওবা অমনি। লূ-নান্না লৈবা, খুৎ-শা শেংনা হামদোকপা হায়বসিসু য়াম্না মরুওইবা শরুক অমনি। মী য়াম্না তীনবা মফমদা চৎপা মতমদা খুৎ শোক্নদবা অমদি লোক খুবা মতমদসু ফি খুম্লগা খুবা তঙাইফদে। লৈঙাক্কী দিপার্টমেন্টশিংদা থল্লিবা বাইওমেট্রিক এটেন্দেন্টকী মেছিন অসি থা ১ শীজিন্নররোই। ইমপ্লোয়ীশিংনা মসিগী খুদোংচাবা লৌরগা ওফিস কাদবদি য়ারোই। মণিপুরদা চঙলকপা মীওইশিং স্ক্রিনিং তৌবগী থবক মখা তানা য়াম্না কুপ্না চথখিগনি। কোরোনাভাইরস অসি নুমীৎ ১৪ নিদি সিম্পটম অমত্তা পীদনা লৈবা ঙম্মী। অদুনা ঐখোয় খূদিংমক্না য়াম্না চেকশিনবা তাই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরি ডা. জে সুরেশ বাবুনা ঙসি থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দম অমনা লৈঙাক্কী ওফিসশিং অমসুং সেক্রেটরিয়েটতা থবক তৌরিবা ইমপ্লোয়ীশিং বাইওমেট্রিক এটেন্দেন্স লৌবগী থবক খূদক্তগী হৌরগা মার্চ ৩১ ফাওবা লেপহনখ্রে। থৌরাং অসি নোবেল কোরোনাভাইরসনা পীরক্লিবা থ্রেট অমদি শন্দোরকপা থিংননবা থৌরাং অসি লৌখৎলকখিবনি। লৈঙাক্কী ওফিসশিং অমদি ইন্সটিট্যুসনশিংগী হেদশিংনসু হায়রিবা ৱাফম অসি ঙাক্না চৎকদবনি হায়রি।

নাকল অমরোমদা, মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা কোরোনাভাইরস শন্দোরকপগা লোয়নননা ইন্দিয়াদসু কনফার্ম তৌরবা কেস মশিং হেনগৎলকপদগী মণিপুর লৈঙাক্না মথৌ তাবা চেকশিন থৌরাং পুন্নমক লৌখৎলে হায়না দিরেক্টোরেট ওফ হেল্থ সর্ভিসেসনা ফোঙদোরক্লি।

হেল্থ সর্ভিসেসকী দিরেক্টর ডা. কে রাজোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রগী পাউতাক মতুংইন্না কোরোনাভাইরসকী মতাংদা মথৌ তাবা চেকশিন থৌরাং পুন্নমক লৌখৎলে। জন্যুৱারী ১৮ দগী হৌনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা স্ক্রিনিং তৌবগী থৌরাং লৌখৎলে। কংফাল লম্বীদা চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা মীওইশিংবুনা জন্যুৱারী ৩১ দগী স্ক্রিনিং তৌবা হৌখি। হৌজিক ফাওবদা মীওই ১,২১,৬২৫ স্ক্রিনিং তৌখিবগী মনুংদা মীওই ৩৫২ গী মথক্তা অখন্নবা মীৎয়েং থমখি। মীওই ১৭৯ দি নুমীৎ ২৮নিগী ওইবা সর্ভিলেন্সকী মতম হৌখ্রে হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়াদা ঙসি কনফার্ম তৌরবা কেস মশিং হেনগৎলকপদগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা অখন্নবা মীফম কৌদুনা লায়না-লায়চৎ অসিগী মতাংদা কুপ্না খন্নরে। মীফম অদুদা চীফ সেক্রেটরি, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (হেল্থ), দিরেক্টর (হেল্থ), রিমসকী দিরেক্টর, জেনিমসকী দিরেক্টর, পুলিস দিপার্টমেন্ট অমদি কষ্টমসকী ওফিসলশিং লোয়নননা দেপ্যুটি কম্মিস্নারশিং, য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রগী রিজনল দিরেক্টর অমদি হেল্থ দিপার্টমেন্টকী অতৈ ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

মীফম অদুনা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা য়াওশং কুম্মৈগুম্বা মীয়াম তীনবা থৌরমদা শরুক য়াবগী মতাংদা য়ারিবমখৈ চেকশিন্নবা মীয়ামদা পাউতাক পীবা হায়না ৱারেপ লৌখি। দেপ্যুটি কম্মিস্নারশিংনা দিষ্ট্রিক্ট সর্ভিলেন্স কম্মিটি শেম্বগা লোয়নননা কোরোনাভাইরসকী মতাংদা মীয়াম্বু ৱাখল তাহন্নবা থৌরম পাঙথোকপা হায়নসু মীফম অদুনা ৱারেপ লৌখি।

হৌজিক-হৌজিক লৈঙাক্না পায়খৎলিবা থৌরাংশিংগী মতাংদা চেরোল অমনা হায়, রিমস অমদি জেনিমসতা আইসোলেসন ৱার্দশিং হাংদোক্লে। মোরে, মাও অমদি জিরিবামগী সব-দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদসু আইসোলেসন ৱার্দ হাংদোকপগা লোয়নননা মোরেগী ইন্টিগ্রেটেদ চেক পোষ্ট অমদি কৈরাওগী টি বি হোস্পিটালদা ক্বারন্টাইন ফেসিলিটি শেমগৎলে।

মফম অমদগী মফম অমদা চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা মীওইশিংগী খোঙ্গুল লীবদা হেন্না খুদোংচানবগীদমক মোরে ফাওরগা চৎলিবা মীওই পুম্নমক সেল্ফ দিক্লারেসন ফোর্মদা মেনশিনহন্নবা ৱারেপ লৌরে হায়রি।

**KINGDOM**
Govt. Regd. No. 422 of 2020
**AVIATION COURSE**
**SPOKEN HINDI**
**SPOKEN ENGLISH**
**COMPUTER INSTITUTE**



SIR NAOBI LOITONGBAM
20 YRS. TEACHING EXPERIENCE
3 MTHS. AT IT CALL CENTRE AS A TRAINER
2 MTHS. AT AIR (ALL INDIA RADIO) IMPHAL
1 MTH. IN MYANMAR / BURMA AS A TRAINER (SPONSORED BY SAT, GOVT. OF MANIPUR)
MULTIPLE SCHOOLS & COLLEGES - AS A TRAINER (SPONSORED BY UGC)

ADMISSION OPENS - X, XI, XII appeared STUDENTS

Aviation Staff :
H. NANDITA DEVI
BBA (h) Tourism & Hospitality Management, Ex-Cabin Crew Kingfisher - 4 yrs. Qatar Airways - 3 yrs
K. BIDYARANI DEVI
Air India Sats - 3 yrs, Bangalore, Indigo Airline, Imphal Airport since 2017 till date

Modelling Staff :
RAKESH N.
Mr. Reso King Manipur 2011, Reseacaaf Manhunt Manipur 2014, Fair & Lovely Mega Mr. North East 2015, Rubaru Mr. India 2018 Best Rampwalk
S. KANCHAN CHANU
Miss G.P. Women's College 2014, Manfete Queen 2015 - 1st Runner Up, Miss Ougri Photogenic 2015, Miss Manipur Queen 2017, Miss India Manipur 2017

Computer Courses :
Tally GST, CCC, CCP, C/C++, DTP, DCA (3/6 mths.), etc.

# 7005622203, 7005665814

For : Air Hostess Aspirants, Flight Attendant Aspirants, Models, Students, College Students, Businessmen, House wives, Office Goers, Teachers, Entrepreneurs, Senior Citizens, etc.

Address : (Shifted to) Global Spoken English & Dot Com Computer (below APEX) Keishampat Kangabam Leirak behind Bheigo Hotel

HL-B/6053/3,4,5,6,7,8,9.....